## এক্সিদেন্টদা বি জে পি লূচিংবা শিখ্রে

**বরৈলি, নবেম্বর ১১(এজেন্সি)ঃ**
বি জে পিগী উত্তর প্রদেশ একজিক্যুটিব কমিটিগী মেম্বর অমা ওইরিবী অশা সিংহ চন্দাওসি-আলিগর রোদতা মহাক্কী গাড়ী অদু দ্রাইভরনা থৌবা শোয়বদগী উ পম্বী অমদা থেংজিনদুনা এক্সিদেন্ট থোকপদা শিখ্রে। মহাক খুদক্তা হোস্পিটালদা পুখৎখি অদুবু ডোক্টরশিংনা শিরে লাওথোকখি হায়না পুলিসকী সর্কল ওফিসার কে কে শরোজনা হায়খি।

দ্রাইভর অদুসু লায়কন্নবা হোৎনখি অদুবু অশোকপা অদুনা মরম ওইদুনা শিখ্রে।

## টেরোরিষ্ট ২ হাৎখ্রে

**বান্দিপোরা, নবেম্বর ১১(এজেন্সি)ঃ**
জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী বান্দিপোরা দিষ্ট্রিক্টতা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগা ঙসি খূৎ থোক্লুবদা টেরোরিষ্ট ২ সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা হাৎখ্রে। মখোয়দগী খূৎশু-খূৎলাইশিং ফংখ্রে। মখোয় অদু কনা-কনানো অমসুং করম্বা টেরোরিষ্ট গ্রুপতা য়াওই হায়বদু খঙনবা হোৎনরি হায়না কাশ্মির জোন পুলিসনা হায়খি।

## লাইয়েকপা অমা লূপা ক্রোর ২.৫কী লোট্টরি ফাওখ্রে

**চান্দিগড়র, নবেম্বর ১১(এজেন্সি)ঃ**
হিমাচল প্রদেশকী উনা দিষ্ট্রিক্টকী খূঙ্গং অমদগী লাইয়েকপা অমনা লূপা ক্রোর ২.৫কী লোট্টরি প্রাইজ ফংখ্রে।

পঞ্জাব ষ্টেট মা লক্সমি দিৱালি-পুজা বম্পর-২০১৯ অদুনা উনা দিষ্ট্রিক্টকী চুরুরু খুন্দা লৈবা সঞ্জিব কুমারগী পুন্সি হোংহনখ্রে।

পি জি আই এম ই আর, চান্দিগড়দগী হল্লকপদা ননগাও বস ষ্টেসন মনাক্তা লোট্টরি ষ্টোল অমদগী মহাক্না লূপা লিশিং ১গী টিকেট ২ অদু লৈরকখিবনি। অদুগী মনুংদগী টিকেট অমা প্রাইজ অদু ফাওরকখিবনি। লোট্টরি অদু নম্বর ১ লূধিয়ানাদা শান্নখিবনি।

## সি এমদা হরিদ্বারগী ঘাত থুগাইগনি হায়না কিহল্লকখিবা মীওই ফাখ্রে

**দেরাদুন, নবেম্বর ১১(এজেন্সি)ঃ**
উত্তরখন্দগী চীফ মিনিষ্টর ত্রিবেন্দ্র সিংহ রৱাততা টেলিফোন তৌরকখিবা অমসুং হরিদ্বারগী হর কি পাওরি ঘাত অদু থুগাইরগনি হায়না কিহল্লকখিবা মীওই অমা ঙসি উত্তরখন্দ পুলিসনা ফাখ্রে।

ঙরাং নুমিদাংৱাইরম মীওই অদুনা মশাগী টেলিফোন নম্বরদা চীফ মিনিষ্টরদা টেলিফোন তৌরকখি। টেলিফোন অদু প্রোটোকোল ওফিসার আনন্দ সিংহ রৱাতনা লৌখৎখি অমসুং মীওই অদুনা ঘাত অদু বোম অমনা থুগইগনি হায়না কিহল্লকখিবনি।

## ট্রেন ২ থেঙ্গাইনবদা মীওই ১২ শোকখ্রে

**হায়দরবাদ, নবেম্বর ১১(এজেন্সি)ঃ**
হায়দরবাদকী কচেগুদা রেলৱে ষ্টেসন মনাক্তা ঙসি অয়ুক ট্রেন ২ অমগা-অমগা থেঙ্গাইনবদা য়ামদ্রবদা মীওই ১২ শোকখ্রে।

অশোকপশিং অদু ওস্মানিয়া জেনরেল হোস্পিটালদা পুখৎখ্রে। হৌজিক ফাওবদা শিবগী পাউ লৈত্রি। ট্রেন অমগী দ্রাইভর অদু অতেক-অকাই অদুগী মরক্তা থোকপা য়াদনা চপ্তুনা লৈখি। মহাকপু ওক্সিজেন ফংহনখ্রে অমসুং মফম অদুদা মেদিকেল এদ পীখ্রে। মহাক শোইদ-ঙামদনা লৌথোক্লবা ওথোরিটিজনা হোৎনরি হায়রি।

## ওরিষ্যাদা অঙাং ৬ শিখ্রে, ৭ লায়কন্নরি

**মলকানগিরি, নবেম্বর ১১(এজেন্সি)ঃ**
ওরিষ্যাগী মলকানগিরি দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা খূঙ্গং অমদা হৌখিবা চয়োল অনীদা য়ামদ্রবদা অঙাং ৬ শিখ্রে অমসুং অতোপ্পা ৭ লায়কন্নরি হায়না সেনিয়ার ওফিসিয়েল অমনা ঙরাং ফোঙদোকখ্রে।

অঙাংশিং শিখিবদু করি মরমদগীনো চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি হায়না চীফ দিষ্ট্রিক্ট মেদিকেল ওফিসার (সি দি এম ও) অজয় কুমার বায়থানা হায়খি। মশাগী থা ৬তগী চহী ৪ ফাওবদা লৈবা অঙাংশিং অদু হৌখিবা থা ২দা কালিমেল্লা ব্লোককী মখাদা লৈবা টমানপলি খূঙ্গংদা শিখিবনি।

অঙাং ৭না কালিমেল্লা কম্যুনিটি হেল্থ সেন্টরদা লায়কন্নরি। মখোয়গী ব্লদ সেম্পলশিং একজামিনেসনগীদমক ভুবনেশ্বরদা থাখ্রে। মখোয় পূন্নমক্না লায়হৌ, লোকখুবা, হুমাংকাংবা অমসুং ওনিংবা ফাওই হায়খি। ডোক্টরশিংগী টিম অমা খূঙ্গং অদুদা থাখ্রে অমসুং মফম অদুদা হেল্থ কেম্প অমা লিংখৎখ্রে।

## ‘ওইথোক্লিঙাই ওইদবা অমদা কোংগ্রেসনা মহারাষ্ট্রদা শিব সেনা শৌগৎলবা য়াই’



**ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ১১(এজেন্সি)ঃ**
কোংগ্রেসনা শিব সেনাগা য়ান্না চাওনা আইদিওলোজিগী খেন্নবা লৈজরবা ফাওবদসু মহারাষ্ট্রদা গভর্ণমেন্ট শেম্বগী মতাংদা, ওইথোক্লিঙাই ওইদবা অমদা কোংগ্রেসনা শিব সেনাবু শৌগৎনবগী ৱাখল অমা লাক্লবা য়াই হায়না ঙসি লিখুনশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

পার্টিগী ৱারেপ লৌবা ঙম্বা খ্বাইদগী মকোক থোংবা বোদি – কোংগ্রেস ৱার্কিং কমিটি (সি দিব্লিয়ু সি)না অরোইবা ৱারেপ অদু লৌনবা পার্টি প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধীদা শিন্নখ্রে।

কোংগ্রেসনা শিব সেনাদা শৌগৎনবা ৱারেপ লৌরক্লবা মতম খক্তদা শিব সেনাদা শৌগৎকদ্রা অমসুং করন্না শৌগৎকনি হায়বগী মতাংদা ৱারেপ লৌগনি হায়না কোংগ্রেসকী খোঙবু ওইরিবা শরদ পৱারগী নেসনেলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টি (এন সি পি)না য়ান্না কন্না ঙাংদুনা লৈরিবনা হৌজিক সোনিয়া গান্ধীদা পূন্নমক্কী মীৎয়েঙ থমখ্রে।

কোংগ্রেসকী কোর্টতা বোল অদু লৈখ্রে হায়না ময়েক শেংনা পল্লদুনা শরদ পৱারনা ৱারেপ লৌগদবা খুদিংমক কোংগ্রেসকা খন্নরবা মতুং খক্তদা লৌগনি হায়খি।

সোনিয়া গান্ধীগী ওইনদি মশানা শিব সেনাদা শৌগৎপা পামফাত্তে। মদু কোংগ্রেসকীদমক মমাঙদগী লাক্লিবা অচৌবা আইদিওলোজিগী লিক্লমদগী নাথৈবা অমা ওইখিগনি। ঐখোয়গী মহারাষ্ট্র লূচিংবশিংনা পাল্লিবদু করিনো হায়বদু ঐখোয়না খন্নখিগনি হায়না কোংগ্রেস লূচিংবা মালিকার্জুন খরগেনা হায়খি।

মসিগীদমক সেনিয়া গান্ধীনা মহারাষ্ট্রদগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টরশিং অমসুং সি দব্লিয়ু সি মেম্বরশিংনা নুংথিল পুং ৪দা অতোপ্পা মীফম অমা কৌখ্রে।

পার্টি অসিনা শিব সেনানা লূচিংবা গভর্ণমেন্ট অমা মপান্দগী নৎত্রগা মনুংগী শরুক অমা ওইনা শৌগৎকদ্রা হায়বদুসু ৱারেপ লৌগনি।

বি জে পিনা লূচিংবা নেসনেল দেমোক্রেটিক এলায়েন্স (এন দি এ)গা লৈনবা মরী থদৎনবগী খুদম অমা ওইনা ঙসি শিব সেনানা সেন্টরদা লৈরিবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি গভর্ণমেন্টতগী মখোয়গী অমত্তা ঙাইরবা মিনিষ্টর অদু মিনিষ্টর ফমদগী তোকহল্লকখ্রবনি।

## টিবেটতা খূৎ থিংজিন্নবা মালেমগী বোদি য়ু এন শিজিন্নৈ হায়দুনা চিনানা য়ু এসপু মরান শীখ্রে

**বৈজিং, নবেম্বর ১১(এজেন্সি)ঃ**
দলাই লামাগী মহুৎ শিনগদবা মীওই অদু খনবদগী বৈজিংবু থিংনবা য়ু এসনা হোৎনবা হেন্না কনখৎলকখিবগা টিবেটতা খূৎ থিংজিন্দুনা অওৎ-অপা শানবা মালেমগী বোদি, য়ুনাইটেদ নেসন্সপু শিজিন্নৈ হায়না য়ু এসতা ঙসি চিনানা মরান শীখ্রে।

হৌখিবা চয়োলদা ইন্টরনেসনেল রিলিজিয়স ফ্রীদমগীদমক য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী এম্বেসেদর-এট-লার্জ শাম ব্রোনবেকনা হায়খি, টিবেটকী স্পিরিচুয়েল মহুৎ শিনবগী হীরম অদু য়ু এন না লৌখৎপা য়ু এসনা পাম্মি। দলাই লামাগী মহুৎ শিনবা খনবা হায়বসি টিবেটকী বুধিষ্টশিংগী থবক্নি অমসুং চাইনিজ গভর্ণমেন্টকী নৎতে হায়না ব্রোনবেকনা এ এফ পিদা হায়খি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা লাইনিংগী নীংতম্বগী মতাংনি হায়বগী মমিংদা চিনাগী মনুংগী হীরমশিংদা খূৎ থিংজিন্দুনা অওৎ-অপা শান্নবা হোৎনৈ হায়না অদুবু বৈজিংনা শাওনা পাউখুম পীখি।

মসি মায়থিরগা তোকখ্রগদবা অমসুং ইন্টরনেসনেল কম্যুনিটিদগী য়ানীংদবা শোয়দনমক থেংনরগদবা অমনি হায়না বৈজিংদা চাং নাইনা পাংথোকপা প্রেসতা পাউদম পীবা অমদা চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাংলোই গেং শুৱাংনা হায়খি।

হিমালয়ান লমদম অদুদা মোদর্নাইজেসন অমসুং দিভলপমেন্ট পুরক্লিবা চিনানা চাইনিজ লৈঙাকপু শৌগৎনবা চারা শেন্লমখিবা ওইরম্বা য়াবা অমবু মথঙগী দলাই লামা অদু ওইহন্নবা হোৎনগনি হায়না মতম কয়াদগী হৌনা ইঙ্গিৎ পীখ্রবনি।

টিবেটবু অহেনবা ওতোনোমি লৈহন্নবগী দলাই লামাগী কেম্পেন অদু মহাক্কা লোয়ননা লোইখ্রগনি থাজবগা লোয়ননা চাইনিজ গভর্ণমেন্টনা মহাক লৈখিদবা মতম অদু ঙাইরি হায়নসু ইঙ্গিৎ পীখবনি।

মশাগী চহী ৮৪ শুবদা টিবেটকী লাইনিং লূচিংবা অদুনা হান্না লেপ্পা লৈতনা চৎলম্বদু তপথরকখ্রে অমসুং চহীসিগী অঙনবদা মহাক চেষ্ট ইনফেক্সন অমা তৌখ্রে। অদুবু মহাক মমাঙদা হকচাংগী অরুবা অনাবা অমত্তা লৈতে হায়না খন্নে।

১৯৯৫তা ওফিসিয়েল ওইনা লাই থাজদবা চাইনিজ গভর্ণমেন্টনা মখোয়গী মশাগী পঞ্চেন লামা খনখি অমসুং মীয়ামদা চাওনা শাফু লৈবা বুধিষ্ট পোজিসন অদুনি হায়না শকখঙনখিবা চহী ৬ শুরবা নুপামচা অমবু ফাদুনা থমখি। মহাক ফাখিবা অদুবু রাটস গ্রুপশিংনা মালেমগী খ্বাইদগী নহা ওইবা পোলিটিকেল প্রিজনরনি হায়খি।

অঙাং ওইরিবা নুপামচা অমা দলাই লামাগী শাইওননি হায়বগী খুদমশিংগীদমক বুধ লম্বোইবশিংনা কোয়চৎ –চৎতুনা থিবগী চহী চা কয়া লিরবা চৎনরোল অদু থুগাইখিগদ্রা হায়না ১৪ শুবা দলাই লামানা চিংনরি। মরম অসিদগী মহাক মশানা মহাক্কী মহুৎ শিনবা অদু নুপীমচা অমা ওইরফাওবদসু খনগনি, নৎত্রগা মহাক মশামকপু অরোইবা দলাই লামা অদুনি হায়না ফাওবা লাওথোক্লম্বা য়াই হায়না নোবেল পীছ প্রাইজ ফংলবা অসিনা হায়খি।



## নোংলৈনুংশিৎ ‘বুলবুল’না ইন্দিয়া, বাংলাদেসকী তোর্ব্বানশিংদা নৈখায়বদা য়ামদ্রবদা মীওই ২০ শিখ্রে

**কোলকটা, নবেম্বর ১১(এজেন্সি)ঃ**
নোংলৈ নুশিৎ ‘বুলবুল’না অকনবা নুংশিৎকী শাফু অমসুং নোং চুবগা লোয়ননা ইন্দিয়া অমসুং বাংলাদেশকী সমুদ্রা তোর্ব্বানশিংদা নৈখায়বদা য়ামদ্রবদা মীওই ২০ শিখ্রে অমসুং মীওই লাক্ষ ২০ হেনবগী নোংলৈ-নুংশিৎকী চংজফম লৌফমশিংদা অহিং লেকহনখ্রে হায়না ঙরাং ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

থাংজগী অথেংবদা পূংদা কিলোমিটর ১২০ হেন্না কন্না শিংপা নুংশিৎ পুদুনা নোংলৈ-নুংশিৎ অদুনা লৈবাক অনীমক্কী হিথাংফমশিং অমসুং এয়ারপোর্টশিং থিংজিনহনখি।

ইন্দিয়াগী ৱেষ্ট বেঙ্গল ষ্টেটতা মীওই ১০ শিখি, ওরিষ্যাদা মীওই ২ শিখি। বাংলাদেশতা মী ৮ শিখি অমসুং য়ামদ্রবদা মীওই ২০ শোকখি। ঙা ফাবা হি মচা অমা মেগ্না তুরেলদা লূপ্পদগী মীওই ৫ থিবা খঙদ্রি হায়না বাংলাদেশকী খুলনা দিষ্ট্রিক্টকী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেটর মসুদ আলম সিদিক্যুনা এজেন্সিদা হায়খি।

ওরিষ্যাদা নোংলৈ-নুংশিৎ অসিনা হকথেংননা শিৎচিল্লকখিদ্রবসু নোং কন্না চুবা অমসুং অকনবা নুংশিৎনা য়ুম চা কয়া শোকহনখি, উ পাম্বিশিং, ইলেক্ট্রিক পোলশিং তুহনখি, টেলিকোম টৱারশিং শোকহনখি।

চীফ মিনিষ্টর নবিন পাথনায়াকনা ঙসি নিংথৌকাবা নুমিৎকী মুমিৎয়ুংবা মতুংদা নোংথক্তগী অশোকপা মফমশিং য়েংশিনখি।

লৌউ-শিংউ তৌবা য়াবা লম হেক্তর লাক্ষ ৬ অমসুং হৌরিবা মহে-মরোংগী চাদা ৪০ রোম শেকহনখ্রে হায়না স্পিসিয়েল রিলিফ কমিস্নার বি কে জেনানা হায়খি। চাওরাক্লা য়ুম ৫,৫০০ অতেক-অকাই থোকখ্রে হায়রি।

ওরিষ্যাগী অপূনবা দিষ্ট্রিক্ট ৩০গী মনুংদা ১০ হেন্না নোংলৈ-নুংশিৎ অদুগী শাফু ফংখি।

কোলকতাদগী ফংবা পাউনা হায়, চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা ঙসি সাউথ ২৪ পরগনাজ দিষ্ট্রিক্টতা নোংলৈ-নুংশিৎনা শোক্লবা মফমশিং নোংথক্তগী য়েংশিন্নবা এদমিনিষ্ট্রেটিব মিটিং অমা ককথৎখ্রে। মহাক্না হয়েং নোর্থ বেঙ্গলদা চৎকদবা খোঙচৎসু য়ৈথোকখ্রে। ষ্টেট অসিদা সাইক্লোন বুলবুলগী মরমদগী য়ামদ্রবা মীওই ১০ শিখি অমসুং য়ামদ্রবদা ইমুং লাক্ষ ২.৭৩ শোকখি।



## য়ুরেনিয়ম মরিকশিং ফংবগী ন্যুক্লিয়ার ৱাটচদোগকী রিপোর্টশিং অদু ‘লাং’ অমনি হায়না ইরাননা ফোঙদোকখ্রে

**দুবাই, নবেম্বর ১১(এজেন্সি)ঃ**
ইন্টরনেসনেল এটোমিক ইনর্জি এজেন্সি (এ আই ই এ)না অরোনবা এটোমিক ৱায়রহাউস অমনি হায়না ইজরেলনা কৌরিবা ইরানগী মফম অমদা য়ুরেনিয়মগী মরীকশিং ফংলে হায়বা রিপোর্টশিং অদু ঙরাং ইরানগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ‘লাং’ অমনি হায়রদুনা য়াখিদ্রে।

মফম অদুদগী লৌখিবা সেম্পলশিংদা য়ুরেনিয়মগী ট্রেসশিং উৎখি হায়না পাউগী এজেন্সি রোইটর্সগী অহানবা পাউ অদুগী থা ২গী মতুংদা য়ু এনগী ন্যুক্লিয়ার ৱটচদোগ আই এ ই এনা কনামতনা য়াওহন্দনা পাংথোকপা পাউদম অমদা মেম্বর ষ্টেটশিংদা মখোয়না ইরাননা মমিং ফোঙদোক্তবা মফম অমদা য়ুরেনিয়ম ট্রেসশিং ফংলে হায়না য়ুমশকৈশা নুমিৎতা হায়খিবনি।

জিওনিষ্ট রেজিম অমসুং ইজরেলনা ফাইল অসি অমুক হন্না হাংদোক্লবা হোৎনরি হায়না ষ্টেট টেলিভিজনদা উৎখিবা ৱারেলশিংদা ইরানগী ফোরেন মিনিষ্টর ৱাঙাংলোই অববাস মৌশাবিনা হায়খি, ঐখোয়না মসি ‘লাং’ অমনি হায়না লাওথোক্লি।

২০১৮দা মালেমগী শক্তি লৈবা লৈবাকশিংগা তৌনখিবা ইরানগী ২০১৮গী ন্যুক্লিয়ার দিল অদুগী মায়োক্তা কন্না লেপখিবা ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটান্যাহুনা মফম অদুদা চপ চানা করিনো হায়দবা রোদিওএক্টিব মেটরিয়েল কেজি ১৫ ফংবখিবনি অমসুং মদু মতমদুদগী হৌনা লৌথোকখ্রবনি হায়রদুনা খুদক্তা মফম অদুদা চৎতুনা য়েংশিন্নবা আই এ ইদা অপীল তৌখিবনি।



## রসিয়ান খূৎলাইগী মতাংদা টর্কিগী লূচিংবগা ট্রম্পকা মায়োক্লগদৌরি



**ন্যু য়োর্ক, নবেম্বর ১১(এজেন্সি)ঃ**
নোর্থ অটলান্টিক ট্রিটি ওর্গনাইজেসন (নেটো) এলাই অনীগী মরক্তা লৈনবা মরী ফৎনদ্রিঙৈগী চৈরক্তা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্দ ট্রম্পকা টর্কিগী লূচিংবা অদুগা মথঙ চয়োলদা হ্বাইট হাউসতা উন্নবা মতমদা রসিয়ান এয়ার দিফেন্স সিষ্টেম অমা লৈনবা টর্কি লূচিংবা অদুগী ৱারেপ অদুগী মতাংদা দোনাল্দ ট্রম্পনা টর্কিগী রেসেপ টায়িপ এরদোগানগা মায়োক্লগদৌরি।

রসিয়ান এস-৪০০ সিষ্টেম অদু লৌনবগী খোঙথাং অদুনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসপু য়ান্না নুংঙাইহন্দে হায়না ঙরাং নোংমাইজিং নুমিৎতা ট্রম্পকী নেসনেল সেক্যুরিটি এদভাইজর রোবার্ট ও’ব্রিয়েননা হায়খি।

সিষ্টেম অদু নেটো ফোর্সশিংগা চান্নরোই অমসুং মদুনা য়ু এসগা টর্কিগা তৌনরিবা এফ-৩৫ ফাইটর জেট প্রোগাম অদু চয়েৎনহনগনি অমসুং রসিয়ান ইন্টিলিজেন্সতা তেংবাংগনি হায়না য়ু এসনা হায়রি।

ট্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসননা এফ-৩৫ প্রোগ্রাম অমদগী টর্কিবু জুলাইদগী লৌথোকখ্রবনি।

করিগুম্বা টর্কিনা রসিয়ান সিষ্টেম অদু থাদোক্তবদি য়ু এস কোংগ্রেসতা পার্টি অনীমক্কী মেজোরিটিনা শৌগৎপা য়ু এস সেঙ্কশনশিং টর্কিনা মায়োক্লরবা য়ারি হায়না সি বি এসকী ‘ফেস দ নেসন’ প্রোগ্রামদা ও’ব্রিয়েননা হায়খি।

লাক্লিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা টর্কিগী প্রসিদেন্ট রেসেব টায়িব এরদোগানগা ট্রমপকা উন্নবগী থৌরম লৈ অমসুং শগোলশেল নুমিৎতনা নেটো সেক্রেটরি জেনরেল জেন্স ষ্টোলটেনবর্গকা উন্নগনি।

ট্রম্প অমসুং এরদোগাননা য়ুমশকৈশাগী নুমিৎয়ুংবা মতুংদা অপূনবা পাউগী মীফম অমা থৌরাং তৌরি।

নেটোদা এস-৪০০কী মফম লৈতে হায়না য়ু এস প্রসিদেন্টকী নেসনেল সেক্যুরিটি এদভাইজর অদুনা হায়খি।

## ঝরখন্দ এসেমব্লি মীখলগী অহানবা তাঙ্কককী ওইনা আর জে দি মীরেপ ৫, জে এম এমনা ৩ লাওথোকখ্রে



**রাঞ্চি, নবেম্বর ১১(এজেন্সি)ঃ**
পূন্না সিটি ৮১ লৈবা ঝরখন্দ এসেমব্লিগী তাঙ্কক ৫ থোক্না পাংথোক্কদৌরিবা মীখলগীদমক পোলিটিকেল পার্টিশিংনা মখোয়গী মীরেপশিং মথং-মথং লাওথোক্লক্লি।

ঝরখন্দ মুক্তি মোর্চা (জে এম এম)না মীখল অসিগীদমক ঙরাং নোংমাইজিং নুমিৎতা অহানবা মীরেপ ৩গী লিষ্ট লাওথোকখ্রে। রাষ্ট্রিয়া জনতা দল (আর জে দি)না মীরেপ ৫গী মিং লাওথোকখ্রে।

জে এম এমগী প্রসিদেন্ট শিবু সোরেননা মখোয়গী মীরেপশিংগী মিং অদু অয়াবা পীখ্রে।

ষ্টেট অসিদা জে এম এম, কোংগ্রেস অমসুং লালু প্রশাদ যাদবকী রাষ্ট্রিয়া জনতা দল (আর জে দি)না প্রি-পোল এলায়েন্স লাওথোখ্রে। হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অমসুং জে এম এম ৱার্কিং প্রসিদেন্ট হেমন্তা সোরেননা এলায়েন্সকী চীফ মিনিষ্টরিয়েল কেন্দিদেট ওইগনি। মীখল অসিদা কোংগ্রেসনা সিটি ৩১ কন্টেষ্ট তৌগনি, আর জে দিনা ৭ কন্টেষ্ট তৌগনি। সিটি ৪৩দা কন্টেষ্ট তৌগদৌরিবা জে এম এমদা এলায়েন্সকী অয়াম্বা সিটি পীগদৌরি।

আর জে দি ষ্টেট য়ুনিট প্রসিদেন্ট অভৈ কুমার সিংহনা ঙসি ফোঙদোকখিবদা ঙরাং ফোংখিবা লিষ্টতুগী মতুং ইন্না হান্নগী ঝরখন্দ মিনিষ্টর সত্যানন্দা ভোক্তানা চাত্রা সিটিকী পার্টিগী কেন্দিদট ওইগনি হায়খি।

মিষ্টর ভোক্তনা ২০০০দগী ২০০৫ ফাওবগী মরক্তা মমাঙগী এন দি এ গভর্ণমেন্টশিংদা মিনিষ্টর ওইরমখি। মহাক্না বি জে পিদগী থা ৫গী মমাঙদা আর জে দিদা য়াওরকখিবনি।

জে এম এম, কোংগ্রেস অমসুং আর জে দিনা লাওথোকখিবা প্রি-পোল এলায়েন্সকী মতুং ইন্না কোংগ্রেসনা সিটি ৩১, জে এম এম ৪৩ অমসুং আর জে দিনা ৭না কন্টেষ্ট তৌগনি। তাঙ্কক ৫ থোক্না পাংথোক্কদৌরিবা মীখল অসিগী অহানবা তাঙ্কক নবেম্বর ৩০দা অমসুং দিসেম্বর ২০দা অরোইবা তাঙ্কককী ভোট থাদনগনি।

দিসেম্বর ২৩দা ফল লাওথোক্কননি। মীখলগী অহানবা তাঙ্কককী মীরেপ চে পীখৎপগী অরোইবা নুমিৎ নম্বের ১৩নি।

মসিগী মমাঙদা ঙসি বি জে পিনা মীরেপ ৫২গী মখোয়গী অহানবা লিষ্ট লাওথোকখ্রে। কোংগ্রেসনা মীরেপ ৫ লাওথোকখি।


ওপোজিসন পার্টিশিং, মরুওইনা কোংগ্রেস অমসুং জে এম এমনা রঘুবর দাসনা লূচিংবা গভর্ণমেন্ট ইন্থুনবা অচেৎপা পীরেপ অমা লৌরগসু বি জে পিনা ষ্টেট অসিদা মখা তানা লৈঙাক্কী শক্তি পায়নবা হোৎনগনি হায়রি।

## ইলেক্সনদা অরানবা তৌখি হায়বা অকনবা ঈহৌ মরক্তা বোলিভিয়াগী প্রসিদেন্ট ফম থাদোকখ্রে

**লাপেজ, নবেম্বর ১১(এজেন্সি)ঃ**
বোলিভিয়াগী প্রসিদেন্ট এভো মোরেলসকী অমুক হন্না মীখলদা খল্লক্তুনা মায় পাকখিবা মতুংদা মীখলদা অরানবশিং তৌখি হায়বগী মীশি-মীনা থোকপা চয়োল কয়াগী প্রোটেষ্ট মতুংদা মিলিটরি অমসুং মীয়ামদগী পীথরকপা শাফু কল্লকপদগী ঙরাং নোংমাইজিং নুমিৎতা মহাক ফম থাদোক্লে হায়না লাওথোকখ্রে।

লৈবাক অসিগী মিলিটরি চীফনা মহাক ফম থাদোক্লবা আপিল তৌনবা নেসনেল টেলিভিজনদা চৎখিবদগী ৱাথোক অসি হেন্না অঙকপা মওংদা লূশিল্লকখিবনি।

ঐহাক্না বোলিভিয়াগী লেজিসলেটিব এসেমব্লিদা ফম থাদোকপগী চে পীশিনখ্রে হায়না মশাগী চহী ৬০শুরবা সোসিয়েলিষ্ট লূচিংবা অদুনা হায়খি।



অদুবু মহাক্না ফম থাদোকপা অদু ‘‘কু দি’টেট’’ অমা লাক্কদৌবগী ফিভম অমা উৎপা ওইনা ঐহাক্না ইচিন-ইনাওশিং অমসুং ইচে-ইচনশিংদা এটেক তৌবা লেপ্পবা নখোয়দা অপিল তৌজরি। মৈ থাবা অমসুং এটেক তৌবা লেপ্পু হায়না মহাক্না মখা তাখি।

প্রসিদেন্ট মোরেলসনা ৱা ঙাংবদু লোইফাৎত্রিঙৈদা লা পেজ অমসুং অতৈ সিটিশিংদা মীয়ামনা থোক্নরক্তুনা বোলিভিয়াগী ফিরানশিং পায়দুনা নুংঙাইবা ফোঙদোক্লখি।

২০০৬তা মীখলদা কাদুনা মোরেলসনা অহানবা ওইনা প্রসিদেন্ট ওইরকখ্রবগী তুংদা থংন-থংননা মরীরক শুবা টার্ম ফাওবা মীখলদা কারক্তুনা লৈবাকসিগী প্রসিদেন্ট ওইরকখিবনি।

## হোষ্টেল ফী য়ান্না ৱাংখৎখিবা প্রেটেষ্ট তৌবা জে এন য়ু মহৈরোইশিংদা পুলিসনা ৱাটর কেননশিং কাপখ্রে, পুলিসকা মহৈরোইশিংগা খূৎ থোক্লখ্রে

**ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ১১(এজেন্সি)ঃ**
দিল্লিগী জৱারহর লাল নেহরু য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোই চা কয়ানা ওথোরিটিজগী চাদা ৩০০ হোষ্টেল ফী ৱাংখৎলকখিবা থৌওংগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌবদা কেম্পস অদুগী মপান্দা ইহৌ নমথনবা থল্লিবা পুলিস অমসুং পেরামিলিটরি ফোর্সশিং অদুগা মহৈরোইশিংগা খূৎ থোক্লখ্রে।

মহৈরোইশিং অদুদগী মশীং য়ান্না হেল্লবা রাইওৎ গ্যার শেৎপা পুলিসমেনশিংনা মহৈরোইশিং অদুদা লিচৈনা কনখি অমসুং ৱাটর কেননশিং কাপখি। হোষ্টেল ফী চাদা ৩০০ হেন্না ৱাংখৎখিবা অদুগী মতাংদা য়ুনিভসিটি অদুগী ভাইস চান্সেলর উন্নবা বেরিকেদশিং চিংথোক্লগা লাকখিবা মহৈরোইশিং অদুবু পুলিসনা তাথিনা তৌখি।



ভাইস প্রসিদেন্ট এম ভেনকয়া নাইদু অমসুং ঐচ আর দি মিনিষ্টর রামেশ পোখ্রিয়ালনা জে এন য়ুদা ঙসি অয়ুক পাংথোকখিবা কনভোকেসন থৌরম অমদা শরুক য়াখি।

মহৈরোইশিং অদুনা মখোয়গী প্রোটেষ্টশিং অদু হেন্না কনখৎলকখিবদগী ঐচ আর দি মিনিষ্টর রমেশ পোখ্রিয়ালনা ঙসি অয়ুক্তগী জে এন য়ুদা এ আই সি টি ই ওদিটরিয়ামগী মনুংদা লৈখি হায়না ওফিসিয়েলশিংনা পাউগী এজেন্সি পি টি আইনা হায়খি।

হৌজিক লূপা ২,৫০০রোম ওইরিবা হোষ্টেল ফীশিং অসি চাদা ৩০০ হেনগৎলকপা তারবদি লূপা ৭,৫০০ রোম ওইরগনি। মসিনা শেন-থুমগী ফিভম চাদবা ইমুংশিংদগী মফম অসিদা মখোয়গী মখা মহৈ তমথিনবা লাকচরিবা মহৈরোইশিংবু অৱাবা তাহল্লগনি হায়না জে এন য়ু ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ননা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি। মসিদ নত্তনা য়ুনিভর্সিটি এদমিনিষ্ট্রেসননা দ্রেস কোদ অমসুং কার্ফ্যু তাইমিংনাচিংবা অতৈ রুল কয়ামুকসু চল্লাইনবা হোৎনরি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-297**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 7 | 5 | 2 | 6 | | 9 | | |
| 2 | | | 3 | 9 | | 1 | | |
| | 9 | | | | 1 | | 7 | 6 |
| 5 | 2 | | 1 | | | | 8 | |
| 6 | | 3 | 7 | | | | | 9 |
| | | 7 | | 2 | 9 | | | |
| | | | 6 | | | 7 | 9 | |
| | 3 | 1 | | | 2 | | | |
| 9 | 6 | | | | | | | 2 |

## GAS TODAY

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 08/10/19
Valid : 07/10/19
Sl. No. : 6201 to 6600
Stk : 270- 19kg -24
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Hrangchal Gas Agency**
Booking : 19/10/19
valid : 18/10/19
Stk : 306
First Come First Serve

**K & K Indane**
Booking : 14/10/19
valid : 10/10/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 11.00 a.m.

**Impbal LPG**
Stk : 19kg-140 & 5kg Avail
Time : From 08.30 a.m.

**M M Gas**
Booking : 09/10/19
Valid : 07/10/19
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m.
First Come First Serve

**Loktak Indane**
Booking : 31/10/19
Stk : 210
Time : 07.30 to 11.00 a.m.
First Come First Serve

**Yairipok Gas Service**
Booking : 07/10/19
Valid : 05/10/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**সনা-সুদোকু – ২৯৬ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | 3 | 1 | 5 | 4 | 8 | 6 | 7 | 9 |
| 6 | 4 | 8 | 3 | 9 | 7 | 2 | 1 | 5 |
| 7 | 5 | 9 | 6 | 2 | 1 | 8 | 4 | 3 |
| 4 | 2 | 3 | 7 | 5 | 6 | 1 | 9 | 8 |
| 1 | 9 | 7 | 2 | 8 | 4 | 3 | 5 | 6 |
| 5 | 8 | 6 | 1 | 3 | 9 | 7 | 2 | 4 |
| 8 | 7 | 5 | 9 | 6 | 2 | 4 | 3 | 1 |
| 3 | 1 | 4 | 8 | 7 | 5 | 9 | 6 | 2 |
| 9 | 6 | 2 | 4 | 1 | 3 | 5 | 8 | 7 |